
# মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎনা লাকপসিদা

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

শৈরেংনা খোরিরোলগী অহানবা খোঙচৈনি। শৈরেং নত্তবা খোরিরোলগী মচাক অমত্তা মমাঙদা লৈরমদে হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা হায়বা তোয়না তাদুনা লাক্লি। ইবা পামজবা মীওইশিংগী অহানবা খোঙহৌসু শৈরেংনা অয়াম্বা ওইরি। শৈরেং ইরম্বদগী অতৈ অতোপ্পা লম কয়াদসু ইনখিবনা অয়াম্বনি। ৱারীমচা ইরম্বনা শৈরেং ইরকপদি য়াওদবা নত্তে। ঈশৈ ইরগা শৈরেং ইরকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু মপুম ওইনা য়েংবদা ইবা পামজবা মীওই অয়াম্বনা অহানবদা শৈরেং ইরকই হায়বসি পুন্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। মীওই অমনা অহানবা ইবা হৌরকপা মতমদা ৱারক্কী কবি হায়দুনা করেম্নবীবা মীওইসু য়াওদবা নত্তে। ৱারক্কী কবিনি হায়দুনা করেম্নবীবা অসি প্লেটো খোয়, এরিষ্টোতল খোয়, টি এস ইলিএট খোয়, ৱার্দস ৱার্দ খোয়দদি ফংলমগদ্রা, ফংলল্লোইদ্রবা হায়বা ঙমদে। অদুবু ঐখোয়গী স্বাইদদি ইবা পামজনা চোংথোরকপা মীওই অমদা ৱারক্কী কবিনি, ইরগা করিবু কান্নগদৌরিবনো হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না মীমাঙ থোক্লা করেম্নবীবা য়াওদবা নত্তে। মসিদগী ইবগী থৌনা পাঙ্গল লৈরম্বা মীওই কয়া ইবা ঙমদনা তোক্লখিবসু কোঙ্গায়নি। ইবা হায়বসি অচৌবা প্রেক্টিস অমা চঙই। তমদনা হেক্তা ইগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু হৌজিক্কা চান্নদ্রে। হৌজিক্তি হিরম খুদিংমক্তা তম্বগী মথৌ তারক্লবনিনা ইবগী লমদসু তঙাইফদনা তম্বা তাই। কনাগুম্বা মীওই খরনা ইববু করম্না তমগদৌরিবনো হায়দুনা লান্না পাউথোকপসু য়াওদবা নত্তে। পাউথোক্লিবা মীওই অদুমক ৱাখল মপুং ফাদ্রিবনি হায়বসি মশানা খঙজগদবনি।

ইবা হায়বসিদা লোল চঙই, ৱাহৈ চঙই। ৱাহৈ অদু তম্লগা পুথোক্কদবা নত্তে। শৈরেং হায়বসি করিনো, করম্না শৈরেং ইগদগে হায়বদুনি তমগদৌবিরদি। লীলা হায়বসি করিনো, ৱান এক্ট প্লেগা, অশাংবা ফম্বাক লীলা অমগা কদায়দা খেন্নরিবগে হায়বসি খঙদনা হেক্তা ইবা য়াবা নত্তে। ফিল্ম ষ্টোরি হায়বসিগা স্ক্রিন প্লে হায়বসিগা কয়াম য়াম্না মরী লৈনবগে হায়বসি খঙদনা ফিল্ম ইরিবনি হায়দুনা ইবদা মীমাঙ ফমদনা তোকপগী




ৱাফম লৈতে। নোবেলগা নোবেলগা খেন্নবসু খঙবা তাই। ৱারীমচানি হায়রগা ৱারীমচা খুদিংমক্কী খুৎই হেক্তা মান্নগদবনি হায়বদু লৈতে। মতাং অসিৱাইদনি ইবা হায়বসি তমদবা য়াদবা অমা ওইরক্লিবসি। পঞ্জরিবা অসিনা ইবগী ৱানি। ঙসি মীয়ামদা পাউদমজনিংলিবদি ঙসি অসি মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎনি হায়বসিনি।

কুমজা ১৯৯৯ গী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাদা পেরিসতা ফমখিবা য়ুনেস্কোগী ৩০ শুবা মীফম্না মার্চ ২১ বু ৱর্ল্ড পোইট্রি দে হায়না লাউথোকখি। মালেমদা লৈরিবা মীওইবনা মপানগী তাইবঙপানদা তাওদুনা লৈবগী মহুত্তা নুংগী ওইবা মঙালগী তাইবঙপান অমগা শকখঙনবা হায়বসি শৈরেং নত্তনা ঙমদে। শৈরেং হায়বসি লোল পুন্নমক্তা লৈবা খোরিরোলগী পোথোক অমনি। মরম অসিনা মালেমগী ওইনা শৈরেং ইবা নুমীৎ অমা লৈফম থোকই খন্দুনা নুমীৎ অসিবু অখন্নবা থৌরম পাঙথোক্লিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংলিবদি শৈরেং হায়বসি খ্বাইদগী য়াম্না ফোঙবা লাইরিক মখল অমনি। অদুগা খ্বাইদগী য়াম্না মীয়াম্না পাগনদবা লাইরিক মখল অমসুনি। অমরোমদনা, শৈরেং হায়বসি মহৈরোয়শিংনা তমদবা ইয়ামক য়াদবা হিরম অমসু ওইরি। মণিপুরদদি পব্লিসর মরাং কায়দবনিনা শৈরেং ফোঙবীনবা মীসু লৈতে। পব্লিসর অমা অনীনা শৈরেংগী লাইরিক খরা ফোঙলবসু মখা তানা অমুক হন্না ফোঙবগী থৌনা পাঙ্গল মাঙখি। মণিপুর ষ্টেট লাইব্রেরীনা রাজা রামমোহন রোয় লাইব্রেরী ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নরগা চহীগী ওইনা লাইরিক খরা লৈবীবা অমসুং এদ্যুকেসন (এস)না লাইরিক খরা চহীগী ওইনা লৈবা অসিনা শৈরেংগী লাইরিকশিং হিংহন্নবগী নিংশা শ্বর ওইরি। সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ য়াওনা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা ফংলবা শৈরেংগী লাইরিক খরা মহৈরোয়শিংনা লৈদুনা শৈরেংগী লাইরিকপু কৈথেলদা য়োনবদা য়াম্না পাম্না লৈনরে হায়না লৌবা য়াদ্রি। মসিদনি মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎনা লাকপদা শৈরেং ইরিবশিংগীদমক্তা খল্লগা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতবা য়ারক্ত্রিবসি। হৌজিক মণিপুরদা মণিপুরী শৈরেং ইবীগদবা নহা অশৈবশিংগী মশিং য়াম্না নীকশিল্লক্লে। শৈরেং শৈদিন্নবা মতমদা য়াওননবা নহা অশৈবশিং খনগৎপা মতমদা অৱাবা ওইরে। মরুওইনা মীতৈলোল সবজেক্ট তম্বা মহৈরোয়শিংগী মশিং হন্থরকপা অসিনসু মীতৈলোল শৈরেং ইবীগদবা অশৈবা মশিং নোংম-নোংমগী হন্থরক্লবগী মরম অমা ওইরি। মতম খরগী মতুংদদি মীতৈলোলগী শৈরেং ইবা ঙম্বা অশৈবশিং থোরক্তবা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে হায়বসি ঙসি মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎ অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরমদি মালেমগী শৈরেংগী নুমীৎ হায়দুনা অখন্নবা নুমীৎ অমা খাত্তুনা থম্লিবসি মালেমগী লৈরিবা লোল পুন্নমক্কী শৈরেংশিং হিংহন্নবনি হায়বসি কাউফম থোক্তে।

লৌশিং পুক্কে

# ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বগী কান্নবা



মীপুম খুদিংমক তুম্বগী মতাংদা মশা মশাগী ওইবা হৈনজবা ফীভম লৈজে। কনাগুম্বনা ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বা হৈনৈ। অতোপ্পা খরনা য়েৎলোমদা চেপ্পা অমসুং খরা অমনা লোংনা নৎত্রগা উপ্পা তুম্বা হৈনৈ।

অয়ুর্বেদকী মতুংইন্না তুম্বগী তোঙান তোঙানবা মওং মতৌশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা মওংদি ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বনি। ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বনা হার্টকী মথৌদা মতেং পাংশিন্দুনা ঈগী ঈচেল ফগৎহনবগা লোয়ননা, চাবা তুমহল্লি, হকচাং মনুংদগী ফত্ত-হৌদি লৌথোকপদা মতেং পাংশিল্লি, স্পলিনগী মথৌ ফগৎহল্লি অমসুং হিরম কয়াদা কান্নবা ফংহল্লি।

স্মোল ইন্টেষ্টাইননা হকচাং মনুংগী অমোৎ-অকায় পুন্নমক ইলিওসিকেল ভাল্ভ (আই সি ভি) ফাওনা পুথোরক্লগা লার্জ ইন্টেষ্টাইনদা থাদোরকই। লার্জ ইন্টেষ্টাইননা অমুক পুক্কী য়েৎথংবা শরুকলোমদগী ওয়থংবা শরুক্তা লৈরিবা কোলোনদা অমোৎ-অকায় পুন্নমক ইন্থোরকই। ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্লবদি স্মোল ইন্টেষ্টাইনদগী অমোৎ-অকায় পুন্নমক আই সি ভি ফাওরগা লার্জ ইন্টেষ্টাইনদা চঙলকপদা গ্রেভিটি (মালেমগী চিংশিনবগী মতিক ময়াই) না মতেং পাংশিল্লি। চেপ্পগা তুম্বা তারবদি অমোৎ-অকায় পুন্নমক কোলোনদা ইরায় লায়না চঙলকপা মরম্না অয়ুক য়াহৌরগা খোঙ হাম্বা নুংঙাইহল্লি।

ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা হার্টকী মথৌদা মতেং পাংশিনবগী মতাংদনি। হকচাংদা খ্বাইদগী চাউবা ঈ উতোং ওইরিবা ওর্টানা হার্টতগী থোরক্লগা কুমথখি। মরম অদুনা ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বা মতমদা হার্টনা ওর্টাদা ঈ থাদোরক্লগা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা য়েনবদা লায়না থোকই।

হার্টতগী থাদোরকপা ঈনা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা চেল্লুরগা ইন্টরিয়র ভেনা কাভা (আই ভি সী) ফাওদুনা হল্লক্লগা হার্টতা অমুক চঙখি।

আই ভি সী অসি স্পাইনগী য়েৎলোমদা লৈ। মরম অদুনা ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বা মতমদা ইন্টেষ্টাইননা আই ভি সীদগী খরা খজিক লাপথোকপা মরম্না হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী চেল্লকপা ঈনা হার্টতা চঙখিবদা লায়না থোকই।

লিম্ফেটিক সিষ্টেমগী শরুক অমা ওইরিবা স্পলিন অসি ওয়থংবা শরুক্তা লৈ। স্পলিননা লিম্ফকী ফিল্টর ওইবদা নত্তনা ঈ চুমথোকপগী মথৌসু তৌই। ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্লবদি স্পলিনগী মথৌদা মতেং পাংশিল্লি।

অয়ুরবেদকী মতুংইন্না চাক চাবা তোক্লগা ওয়রোমদা চেপ্পগা হীপকদবনি হায়বা ৱাফম অমা লৈ অয়ুক্কী চাক চাবা তোক্লগা নুমীৎ চুপ্পা অমা তুমগদবনি হায়বা নৎতে। অদুবু মিনিট ১০ রোম ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্লবদি চাবা তুমহনবদা মতেং পাংই। চাকখাউ অমসুং দাইজেষ্টিভ এঞ্জাইম পুথোক্লিবা পেনক্রিজনা হকচাংগী ওয়থংবা শরুক্তা লৈবা মরম্না মায়কৈ অসোমদা চেপ্পগা তুম্লবদি ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক্লা চাকখাউদা চঙবা অমসুং পেনক্রিজনা দাইজেষ্টিভ এঞ্জাইম পুথোকপদা মতেং পাংশিল্লি। করিগুম্বা য়েৎলোমদা চেপ্পগা তুম্বা তারবদি চাকখাউ অমসুং পেনক্রিজগী ফীভমদা অকায়বা থোকহল্লি।

অমরোমদা পুক্কী য়েৎথংবা শরুক্তা লিভর অমসুং গোলব্লদর লৈ। ওয়রোমদা চেপ্পগা হীপ্লবদি লিভর অমসুং গোলব্লদরনা ইকোম কোম্না বাইল থাদোরকপা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমদা মতেং পাংশিনবা মতমদা ইৱা-ৱাদনা চাবা তুমহনবা ঙম্মী।

হকচাংগী ওয়থংবা শরুকপু মরুওইবা লিম্ফেটিক সাইদ হায়না খঙনৈ। লিম্ফ ফ্লুইদ অয়াম্বা ওয়থংবা মায়কৈদা লৈবা থোরাসিক দক্তা চেনশিল্লকই। লিম্ফ ফ্লুইদতা য়াওরকপা প্রোটিন, গ্লুকোজ, অতৈ মেটাবোলাইট অমদি অমোৎ-অকায়নচিংবা পুন্নমক লিম্ফ নোদশিংনা চুমথোক্লগা হার্টকী ওয়থংবা শরুক্তা থাজিল্লকই।

অখঙ-অহৈশিংনা থিজিল্লবা মতুংদা খঙলকপা ৱাফম মতুংইন্না ওয়রোমদা চেপ্পগা তুম্বনা পীরিবা কান্নবশিংদি লিম্ফেটিক দ্রেনেজদা মতেং পাংবা, হার্টকী মথৌ ফগৎহনবা, খোঙ হাম্বা, নুংঙাইহনবা, স্পলিনগী মথৌ ফগৎহনবা, চাবা তুমহনবা, ঈগী ঈচেল ফগৎহনবা অমসুং বাইলগী ঈচেল ফহনবনি।

কংলা ঠিএটর মরাথোন-২০১৬

# নীনি চনবা নুমীৎকী লীলা ‘মীকুপ অমত্তং’

হুইয়েন ইন্দু



ৱারী লীবা হায়বা নেরেটিব আর্ট ফোম অসি নুপাশিংতগী ওইবা শিনফম অমা ওইদুনা ঙসি ফাওবা তপ্না তপ্না শিথরক্লিবা মণিপুরগী তাঙলবা আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা অমনি- ৱারী লীবা। ঙসিদগী চহী নিফু/য়াংখৈগী মমাঙদদি মণিপুর তম্পাক শিনবা থুংনা, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা আর্ট অমা ওইরম্মী ‘ৱারী লীবা’। লৈকায় খুদিং অফাওবা ৱারী লীবা ওজা অমমমদি শোয়দনা লৈনরম্মী। লীনরম্লিবা ৱারীসু ‘মহাভারত’ নৎত্রগা ‘রামায়ন’গী ৱারীনা অয়াম্বনি। থা অমা চুপ্পা লীরবসু ‘ৱারী মপু’ লীবা ঙম্নরমদে, তাঙ্কক খরতমক লীরগা তোক্লরম্মী। চাউখ্রবা কলা অমনি, অরুবা শিনফম অমনি, থা কয়া চহী কয়া চঙনা তম্ন রম্লিবনি। ইনষ্টিট্যুট ওইনা শেমগৎহৌদবা, পুন্সিগী মচৎ হোংলকপা, সমাজগী মশক হোংলকপা...অসিনচিংবা মরম কয়াদগী কলা মখল অসি সহরগী পুন্সিদগী লাপ্না চৎখি, কনানসু থওইবীখিদে।

অনৌবা পুন্সিরোল অমনা নমহৎখ্রবা কলা অসি নুপামচা খরনা, মপা-মপু ওজা-গুরুগী খুদুং ইন্দুনা হোৎনরকপা অনৌবা পাউ ওইখিদে। অদুবু, উচিৱা হিদেন লম্পাক্তা,



ফোক আর্ট ফেস্তিবেলগী নীনি চনবা নুমীৎতা, হিয়াংথাং নিঙোম্বমদগী ‘মুতুম চনু য়োইহেনবী’- মীতৈ চনু অসিনা ‘ৱারী লীবা হায়বা কলা অসিসু নুপাখক্তগী ওইবা শিনফম নত্তে’ হায়বদু ময়েক লানা উৎলম্লে। নুপীনা ৱারী লীবা- পুন্সিদা অমুক্তা উখিদ্রি। অদুগীসু মথক্তা মশিং খঙদনা তারক-উরকখ্রবা ৱারী লীবা থৌরমদা মহাভারত/রামায়নগী ৱারী নত্তবা অতৈ ৱারীসু তারকখিদ্রি। ঐখোয়গী মীরোল ফাওবদা, মণিপুরগী মীয়াম্না খঙলিবা ‘হিন্দু-মহাকাব্য’ অনীসিগী ৱারীসি ৱারী লীবা ওজাশিংগী খুদোলনি, মরী লৈনবা ৱারী-লাইরিক পাক্লা শন্না পানরুবনা নত্তে। ‘য়োইহেনবী’না লীখিবা ৱারীদুগী থোইদোকপা মতৌ অমদি মহাভারত/রামায়নগী ৱারীদু নত্তবা ইরমদমগী ৱারী লীরকপা অদুনি। মহাক্লা লীখিবা ৱারীদুগী মমিংনি- ‘লোয়ালাকপা মিংথোল’।

নীনি চনবা নুমীৎতা লীলা অনী উৎকদবদু ‘পিপলস ফাউন্দেসন, কুম্বী’ গী আর্টিষ্টশিং লাক্তবনা, মখোয়গী ‘অরোইবা পিরাং’ উৎখিদে। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, লাংমৈদোংগী ‘মীকুপ অমত্তং’ মথন্তমক উৎখি। পুং অমগা মিনিট তরা শাংবা লীলা অসি অনৌবা মণিপুর ঠিএটরগী আতিয়াদা অরংবা থৱানমিচাক ওইনা মতম খরা ঙাল্লম্লগা কেনখ্রবা, চহী ৩৭ খক তাইবঙ শিন্থা পাঙলম্বা পুখ্রম্বা শামুনা কুমজা ১৯৭৩ দা অতেনবা লীলাগী মচৎতা ইরমখিবনি। নুপা-নুপী অনীগী লৈফম থোকপা মরী অদু মীওইবগী নুংগী অহুমশুবা মীৎ অমনা য়েংলগা ইরমখিবা লীলা অসি ঙসিসু, ফোং ফোং শারিবা, নৌরিবা লীলা অমা ওইরম্লি।

য়ুম্লোন্নবা লৈমিন্নবা ইমুং অনীখক্তা পানশিল্লগা, খুন্নাই অমবু পুনশিন্দুনা থম্নবা খ্বাইদগী অচেৎপা থৌরী ওইরিবা নুপা-নুপী অনীগী মরী অদু নৈনবনি। লৈকায় অমত্তদা অঙাং ওইরিঙৈদগী মচীন-মনাওগুম নুংশি-চান্নবা লোয়নরকপী ইবেয়াইমা অমদি মাঙ্গোলঙানবী, য়ুম পাল্লবা মতুংদসু য়ুম্লোন্নবা লৈমিন্নরুরে। মশক মথৌ ফজে, ৱাত্তে পাদে খন্দুনা নাপন কাজবী ইবেয়াইমা ইনাক-কৈরাক খুনবা গেজেত্তেদ ওফিসর সনামচাদা লুহোংই। মাঙ্গোলঙানবীনা সনামচাগী য়ুম্লোন্নবা পিতৎ পাতৎপা, সরকারগী ওফিস অমদা পিওন ওইনা থবক তৌবা থোইবগী তালোয় ওইনা লাকই। জীপ, কারদা খোঙনেৎননা চৎলিবা, মীনায় মীসন’না থৌগন্দুনা মোর্দন কম্মোদিটিজ অমত্তা ৱাৎতনা, মথোন লোংবা বিল্ডিংদা ৱাত্ত-পাদবা পুন্সি অমা শাগোন্নরিবা ইবেয়াইমা অমদি সনামচা- অমত্তা ওইবা পুন্সি অমা লেনমিন্নবা ঙমদে। লাউনৈ, খৎনৈ, উংখৎনৈ। অমনা হায় অমনা তাদে, অমনা অমবু খঙনদে। ইবেয়াইমানা মাঙ্গোলঙানবীদা হায়, মানদি সনামচাবু য়াম্না মুন্না মশক খঙই, সনামচানা মাবু খঙদবনি, খঙননবা হোৎনদবনি। সনামচাদা ইবেয়াইমানা তকশিল্লি- ‘ঐঙোন্দা নঙনা পেন্দ্রিবসি করিনো হায়য়ু?’ সনামচানা পাউখুম্মী- ‘মদুদি নঙনা খঙজগদবনি’।

অমরোমদা, নীংবা থুংদ্রবা লায়র’মচা, য়ুনা মপাং ওইদুনা পুন্সি লম্বী চৎলম্বা ‘থোইবা’, মাঙ্গোলঙানবীনা পুন্সি খোঙলোয় ওইনা লাক্লবদা লম্বী মায়ওন হোংলকখি। ঈংবা তপ্না, লীরি খোইরিবা, থোৎলবী নুপী ওইবী মতৌনা মপাঙ্গল কনবনি চাউথোকচরিবা নুপা ওইবা মতৌবু তপ্না তপ্না লাকশিনখি। ফত্তবা হৈনবী তুংওইনরম, নুপী অমনা খোয়দাজবা মপুরোইবা অমা হায়বদু ওইরকখি - য়ুদা লায়চুরম্বা থোইবা। কল্লকনিংঙাই ওইরবা মাঙ্গোলঙানবীগী ৱারীদু তারগা ইবেয়াইমানা হায়, ‘নপুরোইবা অৱা তীন অমখক ফংজবদুদা য়ুম্বান-পুন্সিবু লাইরৈবাক্লি খল্লিবা, ঐখোয়গীসিগুম্বা অমা থেংনরম্মুদনা, হা! হু তরেৎমুক খাগদবনি য়ুম-পানবা’। মাঙ্গোলঙানবীনা মোমোন নোক্লা পাউখুমম্মী...‘থেংবু থেংনদে হায়রিবনিনে ঈচেম্মা, মশক মুন্না খঙদোক্লগা লাকপা য়ারোইদবা লমশা করম্বা উমংদা লৈবগে থিনিংলিবনিনে ঐদি’। ৱাহৈ পরেং অনীখকসিনা নুপী অনীসিগী লমচৎ ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্মী। মাঙ্গোলঙানবীনা মাগী নুপাগী পূক্লিং ইহুল খঙদোক্লগা, মাগী অপাম্বা অনীংবরোমদা ঈলায় লায়না চিংশিনবা ঙম্মী। ইবেয়াইমানা মাগী অপাম্বা, অনীংবদু সনামচানা খঙবীদে, ঈকাই খুন্নবীদে হায়দুনা শিংনৈ। হেনজিন্নবা য়াদবা চৈখে অমগী ৱাংম-ৱাংমদা লৈনগদবনি ৱাকৎলি। পুনশিন্নবা য়াদনা অমনা মীওইবনা লৈখা তাই।

মীওইবগী পুন্সিগী ‘নুংগী অচুম্বা’ অদু ঠিএটরনা পাম্বে ওইদুনা ফংননবা থিরম্বা পুখ্রম্বা শামুগী লীলা অমা মায় পাক্লা পুথোকপা-অরায়বা থবক নত্তে। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন’না পুথোকপা পুখ্রম্বা শামুগী ‘মীকুপ অমত্তং’, মমাঙদা অনীরক য়েংখ্রে। ঠিএটর হোল অমদা শান্নবা নত্তবা, ওপন স্পেসতা টেম্পোরেরি ষ্টেজ অমদা, মতিক চাবা টেক্নিকেল সপোর্ট য়াওদনা, অসিগুম্বা দ্রামা অমবু মীওই ২০০ হেন্না তিল্লিবদু চেক মোক লাউহন্দনা থম্বা ঙম্না শান্নখিবদুনা লীলা অসিগী মায় পাকপগী চাং অদু তাক্লবনি। স্পেসিয়ল লাইটিং দিজাইন য়াওদনা শান্নবা য়াদবা লীলা খুৎপুথোক অমদা পুথোকখিবা ওইবনা, মতাং-তানফম খঙদনা অমুৎ-অঙান তৌহনখিবদুনা নুংঙাইহনখিদবা মতাং খরদু নত্তনা, ডোক্তর য়ুম্নাম



অমদগী লাপথোক্লখি।

লীলা অসিনা হায়রি- মীওইবগী পুন্সিদা মীকুপ অমত্তংগী মতম হায়বসি য়াম্না মরুওই। চেকশিনহৌবা মীকুপ অমনা মীওইববু লাইরৈবাক য়ৌনা থাঙ্গৎলি, শেন্নহৌদ্রবা মীকুপ অমদা রাধেশ্যামগী মীকুপ অমত্তং, মায় পাক্লবা প্রদক্সন অমনি।

উচিৱাগী মীয়ামদি ইম্ফালগী মীয়ামগুম ঠিএটরদগী লাপথোকখ্রবা মীয়াম নত্তে হায়বদু নুমীৎ নিনি চুপ্না উৎলক্লে। মখা তাবা হুম্নিসিমগা য়েংবা তারি ঙাইহাক্কী ওইবা ইহুল’লা।

# নুপী মানবীশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম



ইম্ফাল, মার্চ ২০ঃ ঙসি অয়ুকপুং ১১ তাবা মতমদা আর দি ৱিং, লম্ফেলগী কনফরেন্স হোলদা মরুপলোই ফাউন্দেসননা দ হ্যুমেনসফর ট্রষ্ট, এস আর, ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ৱান দে কম্যুনিটি কন্সল্টেসন মীটিং থ্রু মেদিয়া হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ডা. লোকেশ্বর, নোদেল ওফিসর এ আর টি, জেনিমস, ডা ভিজ্যালক্ষ্মী ব্রারা, মণিপুর ষ্টদি সেন্টর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ডা. সান্তিবালা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ সেনাপতি, ও সি মৈরা, ইগজিক্যুটিব এদিটর, হুইয়েন লানপাউ মীতৈ ময়েক পাউ-চে অমসুং অভিরাম মোংজম, জোইন্টর দিরেক্টর, মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিনা রিসোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসিদা ডা. লোকেশ্বরনা পুখৎলকখিবা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমদি অনা-লায়েংশঙশিংদা ট্রান্স জেন্দরশিংগী ৱার্দ অমা থম্বগী মথৌ তারক্লে হায়বসিনি। ডা. বিজ্যালক্ষ্মী ব্রারানা ট্রান্স জেন্দরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচা-দবশিং অসি মায়োক্লহনবদা মীয়ামগী মপুং ফাবা সপোর্ট লৈ হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ইস্যুশিংদা ট্রান্স জেন্দরগী ইস্যু অসিসু তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না ফোঙদোকখি।

ডা. সান্তিবালানা ট্রান্স জেন্দরশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা কনাগুম্বনা হন্থনা য়েংলকপা তারবদি মদুগী চপ চাবা থেংননবগী থৌদাং ৱায়েলশঙনা লৌগনি। মহৈ-মশিন তম্লিংবা ট্রান্স জেন্দরশিংনা করিগুম্বা মতমদা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরকপা তারগদি খুদক্তা ৱায়েলশঙগী মতেং লৌবীনবসু থাজবা থমখি।

ও সি মৈরানা হায়খি, হৌজিক মণিপুরগী ট্রান্স জেন্দরশিংদি খুন্নাই অসিদা অচৌবা মফম কনবা ঙম্মী। শুমাং লীলা অমসুং ফিল্ম হিংহনবদা ট্রান্স জেন্দরশিংনা লৌরিবা থৌদাং মীয়াম্না থোইদোক্লা খঙনৈ। অদুবু মসিগী মথক্তা পনবা য়ারিবা অমদি লমদমসিগী রিভোলুসনগী লময়ানবা অমা ওইখিবা হিজম ইরাবতসু ফম্বাক লীলাগী নুপী শাখি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। মণিপুরগী অওনবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনবদা নুপী মানবীশিংনা মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী থবক তৌখি হায়বসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ময়েক শেংনা খঙনরক্তুনা মীয়াম্না মখোয়গী মফমদা অহেনবা মীনুংশি শোয়দনা উৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাইরিক-লাইশুগী লমদসু মণিপুরগী নুপী মানবীশিংনা থৱায় য়াওনা চঙশিল্লক্লি হায়খি।

থৌরম অসিগী ৱাঙাঙলোই অমা ওইখিবা অভিরাম মোংজমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা নুপা মাইবী হায়দুনা লৈরম্লিবা অসিমক্লা লমদমসিগী নুপী মানবীশিংগী মফম অসি কয়ামুক য়াম্না মরুওইখ্রবনো হায়বদু ফোঙদোকখি। খন্ন-নৈনবা অসিগী মোদরেটরনা ধিরেন শাদোকপম, সেনিয়র জর্নেলিষ্টনা ওইখি।

খন্ন-নৈনরকপগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না নৈনখিবসি নুপী মানবীশিংনা হোস্পিটালদা ঈ দোনেসন তৌবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি মতৌ করম্না কোকহনগদগে হায়বসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবনা ওইখি। নুপী মানবীশিংবু রেদিওগী এপ্রুভ আর্টিষ্টি ওইহন্নবা হোৎনবা অমসুং অতৈ লম কয়াদা মখোয়গী মফম অমা খাত্তুনা থম্নবগী মতাংদসু করি লৌখৎফম থোকপা থৌরাং লৈগদগে হায়দুনা খন্ন-নৈনখি।